# ৮ শুবা এম আর গী জমান্দর অমনা লুচিংলগা পুরকখিবা লুপা ক্রোর ২০ লোমগী দ্রগ ফারে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, নভেম্বর ২৭ঃ* সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা লেপ্তুনা দ্রগ ললোনবগী থৌওং কয়া চত্থরকখিবা অসিগী মনুং চন্না ঙরাংসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী চাওবোক লমখাইদা ৮ শুবা এম আর গী জমান্দার অমনা লুচিংলগা লাকখিবা গাড়ী অনিদগী ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ২০ লোমগী ভেল্যু ওইগদবা য়াম্লবা দ্রগশিং ফাগৎখ্রে। ফারবা জমান্দার অদু য়াওনা দ্রগশিং অসিবু পুমিন্নরকখিবা মীওই মঙা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ থৌবালগী কোর্টতা পুথোক্লগা নুমিৎ ১০নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

ফারবা ৮ শুবা জমান্দার অদুগী মমিংনা হাওলাল হাওকিপ (৪১) অপোকপা তোমখোলেন হাওকিপ কৌই। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চসাদ এভিন্যুদগীনি। হৌজিক্লা যু বি আই বেঙ্ক মোরেদা পোষ্টিং লৈবনি। মহাক্কী জমান্দার নম্বরনা জে সি নম্বর ৬০৫নি। অতোপ্পা দ্রগশিং অসিবু পুমিন্নরকখিবা ফারবশিং অদুনা মোরেগী কানল বেঙ্কতগী লুনমিনথাং হাওকিপ এলাইজ লুলুন (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা পাউলেন হাওকিপ, পল্লেল কোটলেনফাইদগী হৌজিক্লা চেক্কোনদা লৈবা ভাকিম হাওকিপ এলাইজ কিম (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা থোংখোলেট হাওকিপ, পল্লেলগী কোটলেনফাই খুন্নৌদগী চিনচিন হাওকিপ (৪৫) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা জামোন হাওকিপ অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ১ খোনোমফাইদগী জাংখোশৈ বোনসম এলাইজ সৈবোই এলাইজ হেসৈ (২২) অপোকপা লুনখোলেট বোলসম এলাইজ লেলেট কৌই।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল এস পি ডা: এ কে ঝলজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রিবনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ও তোম্বনা লুচিংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস পার্টি অমা ইম্ফালদগী এন ঐচ- ১০২ দা ইম্ফালদগী থৌবাল তম্না লাকখি। হায়রিবা টিম অদুনা লম্বী অসিগী চাওবোক লমখাই মপা য়ৌরকপদা মারুটি জিপসি এম এন ০১ এক্স-৪২৩৪ (হার্দ তোপ) অমসুং আইকোন কার এম এন ০৭০-০২৭৫ অসি য়াম্না নকশিন্ননা মিটর ১৫ রোম লাপ্ননা খাল্লগা গাড়ী অমদগী গাড়ী অমদা বেক থাংদোক থাংজিন তৌবা উখি। মদুদা পুলিস টিম অদুনা চেক তৌবদা ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ২০ লোমগী ভেল্যু ওইগদবা দ্রগশিং অদু য়াওরম্বদগী ফাগৎখিবনি। মখোয়দগী য়াম্লবা ব্রুবেট , পোলিফেন্দ- সি অমসুং সুদো ইফিদ্রিন টেব্লেটশিং ফাগৎখি।

ফারবশিং অদুদি ৱাহং পাউহং চত্থবদা দ্রগশিং অদু লিলোং মখা লৈকাইদগী এম দি ননাও কৌবা অমনা লিলোং এরিয়াদা মখোয়দা শিন্নরকখিবনি। লোয়ননা দ্রগশিং অদু ম্যান্মারদা পুশিনগদবনি হায়রি।

ফারবশিং অদু লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা লোজ তৌবগা লোয়ননা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ সলাম ইমোচাগী কোর্টতা পুথোক্লগা নুমিৎ ১০নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

দ্রগশিং অসিবু শিন্নরকখিবা এম দি ননাওগী মরি মখোং খঙদোক্লবা অমসুং মহাকপু ফানবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা য়াম্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবা অসি চহী অসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অহুমলক শুবনি। কেস অসিগী মতাংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চার্জ সিট অমসু থাগৎলগনি হায়রি।